# অসাম সিটিজন্স লিষ্টতা য়াওদবশিংদুগী মমিংশিং দিষ্ট্রিক্ট–ৱাইজ ওইনা থাগৎলকউ ঃ *সুপ্রিম কোর্ট*



***ন্যু দিল্লি, আগষ্ট ১৬ ঃ***
অসামগী এন আর সি ড্রাফ্টতা য়াওদবা মীওইশিং অদুগী দিষ্ট্রিক্ট ৱাইজ পার্সন্টেস হৌজিক দটা অদু সুপ্রিম কোর্টকী মমাঙদা থাগৎলক্কবা লৈবাক্কী মকোক থোংবা কোর্ট অসিনা ঙসি অসাম নেস্নেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন্স নৎত্রগা এন আর সি কোওর্দিনেটরদা খঙহনখ্রে।

সুপ্রিম কোর্টকী জষ্টিসশিং রঞ্জন গোগোই, নবিন সিংহ অমসুং কে এম জোসেপনা শাবা বেঞ্চ অমনা এন আর সি গী মতাংদা সেন্টরগী ষ্টেদার্দ ওপরেটিং প্রোসিদ্যুরস (এস ও পি) গী মতাংদা হীরম অসিগা মরী লৈনবা পূন্নমক–ওল অসাম ষ্টুদেন্স য়ুনিয়ন, ওল অসাম মাইনোরিটি ষ্টুদেন্স য়ুনিটনচিংবগী পাউখুম পীরক্কবা খঙহনখি। কোর্ট অসিনা ষ্টেট এন আর সি কোওর্দিনেটর প্রতীক হজেলাদা ড্রাফ্ট এন আর সি গী ওফিসশিং মীয়াম্না লায়না য়েংবা য়ানবা পঞ্চায়ট ওফিস পূন্নমক্তা ফংহন্নবা য়াথং পীখি।

আগষ্ট ২০ দগী হৌনা অসাম এন আর সি ৱাথোক্কী মতাংদা ক্লেম অমসুং ওবজেক্সন ফোর্মশিং মীয়ামদা ফংহন্নবসু কোর্ট অসিনা হায়খি।

কোর্ট অসিনা এন আর সি গী ৱাথোক অসিগী মতাংদা আগষ্ট ২৮ দা মখা তাবা হিয়ারিং চথনবা মতম লেপখ্রে।

এন আর সি গা মরী লৈননা ক্লেম অমসুং ওবজেক্সন থাঙ্গৎলকপা মীওই লাক্ষ ৪০ গী বাইওমেট্রিক দিটেলশিং খোমজিন্দুনা অখন্নবা আই দি শিং শেমগনি হায়না আগষ্ট ১৪ দা সেন্টরনা সুপ্রিম কোর্টতা হায়খি।

২০ শুবা চহীচাগী অঙনবদগী হৌনা বাংলাদেশতগী মীওইশিং হুপচিল্লকখ্রবগী থৌদোক মায়োক্নখ্রবা অসামনা ১৯৫১ দা অহানবা এন আর সি থৌরাং তৌনবা পুথোকপগা লোয়ননা এন আর সি অমা লৈবদা অমত্তা ঙায়রবা ষ্টেটনি।

এন আর সি শেম্নগী থবক মোনিটর তৌখিবা মকোক থোংবা কোর্ট অসিনা অসামগী এন আর সি ড্রাফ্টতা মমিং য়াওদবা সিটিজনশিং অদুগী ক্লেমশিং অদু স্ক্রুটিনি তৌগনি অমসুং মখোয় অশেংবা ওইরম্লবদি মথংগী লিষ্টতা হাপচিনগনি হায়না মমাঙদা হান্ননা ফোঙদোকখ্রবনি।

# বিহার ব্লোক প্রসিদেন্ট হাৎখিবগী এফ আই আর দা মরাল শীরকখিবা মীওই ১০ গী মনুংদা জে দি য়ু লোমেকর ১ য়াওরে

***হাজিপুর, আগষ্ট ১৬ ঃ***
বিহারগী পৈশাগী দিষ্ট্রিক্টতা বিহার ব্লোক প্রসিদেন্ট অমা হাৎখিবগা মরী লৈননা গভর্ণমেন্ট পায়রিবা জনতা দল (য়ুনাইটেদ) কী লোমেকর অমা অমসুং অতোপ্পা মীওই ৯ গী মথক্তা পুলিস কমপ্লেন্ট অমা নৎত্রগা এফ আই আর অমা থাঙ্গৎলকখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা মনিশ সাহনিবু নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবগী মরীদা জন্দাহ পুলিস ষ্টেসন্দা থাঙ্গৎলকখিবা এফ আই আর অদুদা মাহনারগী লোমেকর উমেশ সিংহ কুশৱাহাসু মমিং পল্লকখিবা মীওই ১০ গী মনুংদা য়াওরি হায়না ঙরাং বৈশালিগী এস পি মানবজীৎ সিংহ ধিল্লোননা হায়খি।

তান চান্নরিবদি হাৎখ্রিবা ব্লোক প্রসিদেন্ট অদু য়ুনিয়ন মিনিষ্টর উপেন্দ্র কুশৱাহানা লুচিংবা এন দি এ গী মনুংদা পুল্লিবা রাষ্ট্রিয়া লোক সামাতা পার্টিগী মীওইনি।

লৈখিদ্রবা মনিশ সাহনিগী মচিন মনাও প্রকাশনা এফ আই আর অদুদা ফোঙদোকপদা লৈখিদ্রবা মীওই অসি থা অসিগী মনুংদা ব্লোক প্রসিদেন্টকী ফমদা মীখলদা খল্লকখিবনি। মদুনা মরম ওইরদুনা ব্লোক এদুকেসন ওফিসার অমা অমসুং হান্না ব্লোক প্রসিদেন্ট অমা য়াওনা লোমেকর অদুবু অমসুং মহাক্কী সপ্পোর্টরশিংবু শাওহনখিবনি।

ইলেক্সনশিং অদুগী মনুংদা লোমেকর অদুনা মহাক্কী শৌগৎপা মীওইশিংগা লোয়ননা মিষ্টর সাহনিদা মহাক মীখলদা মায় পাকপা ঙমহল্লোই অমসুং করিগুম্বা মহাক্না মায় পাক্লবসু মহাক হিংনা লৈহল্লোই হায়না কিহনখি হায়রি।

কেস অসিগা মরী লৈননা হৌজিক ফাওবদা মীওই অমত্তা ফাদ্রি। থিজিনবগী থবক চথরি হায়না পুলিস ওফিসার অদুনা হায়খি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর উপেন্দ্র কুশৱাহানা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লৈখিদ্রবা সাহনিগী খুঙ্গংদা চৎখি অমসুং লো এন্দ ওর্দর ঙাক্তুনা থম্বা ঙমদবগীদমক ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মথক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

## হেরোইনগা কোন্ননা মীওই ৩ ফারে

***জম্মু, আগষ্ট ১৬ ঃ***
জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী সম্বা দিষ্ট্রিক্টতা হেরোইনগা কোন্ননা মীওই ৩ ফারে হায়না ঙসি পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী বিজয়পুরগী কৃষ্ণ পেলেস এরিয়া মনাক্তা খুদক্তা লম্বীদা চেক তৌবদা পুলিস পার্টিনা বাইক অমা খামখি। চেক তৌবদা বাইক অদুদা তোংলকপা দীপক, অভয় অমসুং সামীরদগী হেরোইন গ্রাম ১৩.৩৭ ফংখিবনি।

## ট্রিপুরা কংগ্রেসনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা সিভিল দিসওবিদিয়েন্স মুভমেন্ট পাঙথোক্কদৌরি

***আগর্তলা, আগষ্ট ১৬ ঃ***
ট্রিপুরা কংগ্রেস কম্মিটি (টি পি সি সি) না ঙসি প্রেস কনফরেন্স অমদা আগষ্ট ২৭ তা কংগ্রেস পার্টিনা ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদা সিভিল দিসওবিদিয়েন্স মুভমেন্টগী থৌরম পাঙথোক্কনি লাওথোকখ্রে।

ওপোজিসন পার্টি এক্টিভিষ্টশিংগী মথক্তা এটেক চথবা অমসুং ওৎ–নৈবা হেনগৎলক্লিবা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা বি জে পি না ওপোজিসন পার্টিগী ওফিসশিং থুগাইরক্লিবা অসিগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট অসি চথগদবনি হায়খি।

টি পি সি সি প্রসিদেন্ট বিরজিৎ সিংহনা ফোঙদোকপদা বি জে পি গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা আগষ্ট ২৭ তা ষ্টেট অসিগী মফম পূন্নমক্তা মখোয়না সিভিল দিসওবিদিয়েন্স মুভমেন্ট থৌরম পাঙথোক্কনি হায়খি। মসি সিভিল দিসওবিদিয়েন্স মুভমেন্ট অমা ওইবা মরম্না মুভমেন্ট অসিগীদমক গভর্ণমেন্টতগী মখল অমতগী অয়াবা লৌরোই হায়খি।

হন্দক হৌখিবা মতম খরদা ট্রিপুরাদা লৈরিবা ওপোজিসন পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মওং তাদবা সেক্যুরিটিগী খোঙথাংশিংগী মায়োক্তা অমসুং ষ্টেট অসিদা মখোয়গী পোলিটিকেলগী ওইবা এক্টিভিটিশিংগীদমক ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেসন্না পার্মিসন পীখিদবগী মায়োক্তা য়ানিংদবা খোল্লাও লাওবা হেনগৎলকখি।

# নোং অমসুং ঈচাওগী অৱাবা তারবা কেরলাদা এয়ার রেস্ক্যু ওপরেসন চথখ্রে, হৌজিক ফাওবদা মীওই ৭৩ শিখ্রে

***থিরুবনন্থপুরম, আগষ্ট ১৬ ঃ***
কন্না চুথরকখিবা নোংনা ঈচাও থোকহল্লবা সমুদ্র তোর্ব্বানগী ষ্টেট কেরলাগী ফিভম হেন্না হেন্না লুশিল্লকখিবদগী ষ্টেট অসিদা পাক–শন্না এয়ার রেস্ক্যু ওপরেসন চথখ্রে। নোং অমসুং ঈচাওদা হৌজকফাওবদা ষ্টেটসিদা শিখিবগী মশীং ৭৩ য়ৌখ্রে।



ঈচাওগী অৱাবা তারবা মীওইশিং কন্ননবা ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সনা ঈচাও থোক্লবা মফমশিংদা থোকপা ঙমদনা লৈহৌরিবা মীওইশিং পুথোক্লবা হেলিকোপ্টর ১২ য়াওনা পুন্না প্লেন ১৮ শীজিন্নদুনা রেস্ক্যু ওপরেসন চথরি।

লৈবাক অসিগী দিফেন্স ফোর্স অহুম্মক অমসুং নেস্নেল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ) কী টিমশিং রেস্ক্যু ওপরেসনশিং অসি হেন্না কন্না চথনবা কেরলাদা মায় ওনশিনখ্রে।

দিফেন্স পার্সেনেল টিমগী মতেংগা লোয়ননা রেস্ক্যু ওপরেসন মখা তানা চথবদা কোল্লামদগী ঙা ফানবা মীশিংসু ঈচাও থোক্লবা মফমশিংদা থুংলখ্রে।

চহী ১০০ গী মনুংদা ষ্টেট অসি খ্বাইদগী হেন্না শাথিবা নোংজু থা অমা মায়োক্লখ্রে। ঙরাং শিখিবা ২৫ য়াওনা হৌখিবা চয়োলসিদা শিখিবা মীগী মশীং ৭৩ শুখ্রে।

মথং থাংজ নুমিৎ ফাওবা নোং মখা তানা চুথরকখিগনি হায়বগী নোং–চিংগী পাউ লৈবগা লোয়ননা সেন্টরনা মী অমসুং মচাক হেন্না সেঙ্কসন তৌরকখিবগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং সেন্টরগী অতৈ লুচিংবশিংগা ৱারী শান্নরবা তুংদা কেরলা চীফ মিনিষ্টর পিনারায়ি বিজয়ানা পাউমীশিংদা ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা পাউদমখ্রে।

ঙসি আর্মি, এয়ার ফোর্স, নেভি, কোষ্ট গার্দ অমসুং এন দি আর এফ কী তোঙান তোঙানবা টিম ৫২ লাক্লে। অহেনবা টিমশিং অসি লাক্লবনা রেস্ক্যু ওপরেসনশিং অসি হেন্না খোঙজেন য়াংনা চথবা ঙম্লগনি খল্লি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি।

ময়াই থংবা কেরলাগী পাথানমথিত্তা দিষ্ট্রিক্টনা হন্দক্কী ঈচাও অসিদা হৌখিবা পূং ২৪ দা খ্বাইদগী শাথিনা শোকপা ওইখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী রান্নি, অরনমুলা অমসুং কোজেনচেরি তাউনশিংদা মহৈরোইশিং, নুপীশিং অমসুং অহল ওইরবা মীওইশিং য়াওনা মীওই লীশিং কয়া মখোয়গী য়ুমশিংদগী থোকপা য়াদনা লৈখ্রে।

ঙসি পাথানমথিত্তাদগী মীওই ৩০ হেন্না পুথোরকখ্রে অমসুং ষ্টেট অসিগী কোনুংদা পুরকখ্রে। খ্বাইদগী থিনা শোক্লবা মফমশিংগী মনুংদা অলুবাসু য়াওরি। মফম অসিদা লৈরিবা মমিং চৎলবা শিব লাইশঙ অদু ঈশিংনা পুমথুম থুমজিনখ্রে। খা থংবা মফম কয়াদগী নৌনা লৈবাক নীংখাইবগী থৌদোকশিংগী পাউ লাক্লি। মমিং চৎলবা সবরিমালা লাইশঙসু ঈশিংনা পাথোল্লবা পম্বা তুরেলনা লম্বী ফাওনহনখিদ্রে। চীংদা লৈবা হায়ৱে অমনা কান্নুর অমসুং কোঝিকোদকা শন্নহনবা চীংগী দিষ্ট্রিক্ট ৱায়ানাদনসু বানাসুরা সাগর দামগী ঈশিংনা পাদুনা চেন্থোরকপদগী শাথিনা শোকহনখ্রে। মফম অসিদসু লৈবাক নীংখাইবগী থৌদোক কয়ামরুম থোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট অসি খক্তদা মীওই ২০,০০০ হেন্না রিলিফ কেম্পশিংদা থমখ্রে। ১৯২৪ গী মতুংদগী হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিগী ষ্টেটশিংদা থোকপা নোং চুবা অমসুং ঈচাওশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না শাথিবা ওইরবা কেরলাগী ঈচাও অসিনা পাক–শন্না অমাঙ–অতা থোকহনখ্রে। পূন্না মীওই ৮০,০০০ হেন্না রিলিফ কেম্পশিংদা লৈখ্রে অমসুং লুপা ক্রোর লীশিং ৮ হেনবগী মহৈ–মরোং অমসুং লন–থুম মাঙখ্রে হায়না ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা হায়রি।

# য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা শেনগী তেংবাঙ পীবা তোকখ্রবসু য়ু এন পেলেষ্টিনিয়ান স্কুলশিং হাংদোক্লগনি

***জেরুসালেম, আগষ্ট ১৬ ঃ***
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা পীরম্বা শেনগী তেংবাঙ তোকখিবদগী শেনগী অৱাবা মায়োক্লরম্বদু অনৌবা ফন্দ লাকপনা মতেং ওইরগা পেলেষ্টিনিয়ান রিফ্যুজিশিংগীদমক য়ু এন না চল্লাইবা স্কুল চা কয়া হান্না থাখিবা মতমদা চপ চানা হাংদোক্লগনি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ঙসি হায়খ্রে।



পেলেষ্টিনিয়ান টেরিতোরিশিংদা, জোর্দান, লেবানন অমসুং সিরিয়াদা মহৈরোই ৫২৬,০০০ গীদমক য়ু এন এজেন্সি ফোর পেলেষ্টিনিয়ান রিফ্যুজিসনা চল্লাইবা স্কুল ৭১১ অদু লোইনমক লাক্লিবা একাদমিক ইয়ার অসিগীদমক মতম চানা হাংদোক্কনি হায়না য়ু এন এজেন্সিশিংন ফোঙদোকখ্রে।

পেলেষ্টিনিয়ানশিংদা মতেং পীবা তোক্লবা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা লৌখিবা ৱারেপ অদুনা ফন্দগী খুদোংচাদবা থোকহনবা মরমনা স্কুলশিং অদু হাংদোকপা ঙমদবা য়াই হায়না য়ু এস চীফ এন্টোনিও গ্যুতরেস অমসুং অতৈ কয়ানা হান্না চিংনবা ফোঙদোকখিবনি।

য়ু এন রিলিফ এন্দ ৱার্কস এজেন্সি ফোর পেলেষ্টাইন রিফ্যুজিস (য়ু এন আর দব্লিউ এ) না ফোঙদোকপদা চহী অসিগী হৌরকপদগী হৌনা এজেন্সি অসিনা অহেনবা দোল্লর মিল্লিয়ন ২৩৮ খোমগৎলে হায়খি। অদুবু এজেন্সি অসিনা হৌজিক হৌজিক সেপ্টেম্বর থা ফাওবগী থবক তৌনবগী শেন খক্তমক লৈ হায়না মখা তাখি।

মরম অদুনা ঐখোয়না ঐখোয়গী স্কুলশিং অসি শোয়দনমক হাংদোকপা ঙন্নবখক্তা নত্তনা চহী অসিগী অরোইবা ফাওবা চল্লাইবা ঙন্নবা য়ু এস মিল্লিয়ন ২১৬ কী শেনফম অমগসু মথৌ তারি হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা এজেন্সিশিংনা হায়খি।

স্কুলশিং অসি আগষ্ট ২৯ দগী সেপ্টেম্বর ২ ফাওবগী মনুংদা হাংদোকপা ঙন্নবা হোৎনরি।

এজেন্সি অসিদা অহোংবশিং পুরক্লবা অমসুং নোগোসিয়েটিং টেবলদা অমুক লাক্লবা পেলেষ্টিনিয়ানশিংদা শাফু পীনবা দোনাল্ড ট্রম্পনা দিমান্দ তৌবগা লোয়ননা য়ু এন আর দব্লিউ এ না য়ু এস তগী পীরম্বা ফন্দিংদা দোল্লর মিল্লিয়ন ৩০০ গী অৱাৎপা মায়োক্লরি।

মসিগী মতুংদগী অতৈ লৈবাকশিংনা এজেন্সি অসিদা অহেনবা ফন্দশিং পীরকখি। অদুবু মদুনা মতিক চাদ্রি হায়রি।

এজেন্সি অসিনা পেলেষ্টিনিয়ান রিফ্যুজি মিল্লিয়ন ৩ হেনবদা অমসুং মিদল ইষ্টতা লৈরিবা মখোয়গী মচা–মশুশিংদা তেংবাঙ পীরি লোয়ননা পেলেষ্টিনিয়ানশিংনা অয়াম্বা ওইবা মীওই ২০,০০০ হেনববু থবক পীরি।

ফন্দগী অৱাৎপা মায়োক্লবদগী পেলেষ্টিনিয়ান টেরিতোরিশিংগা থবক ২৫০ হেন্না ককথৎখ্রে হায়না হৌখিবা থাদা য়ু এন আর দব্লিউ এ না লাওথোকখি।

ইজরেল ষ্টেট শেমখিবা অমসুং পেলেষ্টিনিয়ান লাক্ষ ৭ হেনববু লাঙ্গেন্নহনখিবা নৎত্রগা মখোয়গী ময়ুমশিংদগী তাহ্নোকখিবা ১৯৪৮ কী লান অদুগী মতুংদা য়ু এন আর দব্লিউ এ অসি লীংখৎখিবনি।

য়ু এন ওফিসারশিং অমসুং অতৈ কয়ানা এজেন্সি অসিনা মসিগী মেন্দেট মখাদা খুদোংথিবা তারবা কম্ম্যুটিশিং অসিদা তঙাই ফদবা মরু ওইবা সার্ভিসশিং পী হায়রি।

## GAS TODAY

**M M Gas**
Booking : 28/06/18
Valid : 25/06/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m
Rate : Rs. 907

**Bashikhong Indane**
Booking : 07/06/18
Valid : 31/05/18
Sl. No. 24975
Time : 07.00 to 10.30 a.m

**Khoriphaba Indane**
Booking : 04/08/18
Valid : 03/08/18
Sl. No. 308 to 801
Time : 06.30 to 09.30 a.m

**Leisang Kangsang**
Booking : 30/06/18
Valid : 28/06/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Khurkhul Heikham Gas**
Booking : 13/06/18
Valid : 11/06/18
Stk : 306
Time : 08.00 to 12 noon

**Patsoi Indane**
Booking : 23/06/18
Valid : 11/06/18
Sl. No. 30
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Athokpam Indane**
Booking : 11/06/18
Valid : 06/06/18
Stk : 612
Time : 06.00 to 10.00 a.m

**K & K Indane**
Booking : 25/07/18
Valid : 24/07/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Haran Valley Gas Kwakta**
Booking : 16/06/18
Valid : 13/06/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**B D Chandel**
Booking : 24/06/18
Valid : 20/06/18
Stk : 306
Time : 09.00 to 12 noon

**Misao Gas**
Booking : 28/06/18
Valid : 18/06/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Hiyangthang Indane**
Booking : 26/06/18
Valid : 20/06/18
Sl. No. 320
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Sawombung Indane**
Booking : 28/06/18
Valid : 28/06/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Khumbong Indane**
Booking : 27/07/18
Valid : 16/07/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.30 a.m

# আফগনিষ্টানদা সিয়া মহৈরোইশিংদা পান্দম থমদুনা চথরকপা সুইসাইদ বোম এটেকতা ৪৮ শিরে



***কাবুল, আগষ্ট ১৬ ঃ***
হৌখিবা নুমিৎ খরনিদা মীচমশিং, লান্মীশিং অমসুং পুলিসমেনশিং য়াওনা মীওই চা কয়া হাৎখ্রবা এটেকশিং মখা চথরকপা খ্বাইদগী নৌবা এটেকতা ঙরাং য়ূমশংকৈশা নুমিত্তা কাবুলগী সিয়ানা নন্না তাবা মফম অমদা সুইসাইদ বোম এটেক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ৪৮ শিখ্রে।

এদুকেস্নেল সেন্টর অমদা পান্দম থল্লকখিবা সুইসাইদ বোম অদু পোকখাইবদা য়ূম অমগী শুমাঙদা ক্লাস রুম অমা ওইনা খনগৎপা অচৌবা টেন্ট অমা শেগাইখি অমসুং য়ুনিভর্সিটি এন্ট্রান্স একজাম অমগীদমক মহৈ তন্নিবা নহা কয়ামরুম শিখি।

কাবুলদা চাওরাক্লা ঈং–তপ্পগী ফিভম অমা চয়োল খরা লৈরকখিবা অদু ঙরাংগী বোম পোকখাইবা অদুনা থুগাইখ্রে। মদুদা য়ামদ্রবদা নুপা অমসুং নুপী মহৈরোইশিং য়াওনা ৬৭ অশোক–অপন নংখ্রে। এদুকেসন সেন্টর অদুদা মহৈ তন্নিবা নুপামচা অয়াম্বা শিখ্রে হায়না থৌদোক অদুবু মমিৎমক্লা উহৌবা সায়েদ অলি কৌবা মীওই অমনা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অদু অকিবগী মশক্নি অমসুং মহৈরোই কয়াগী হকচাং মচেৎ মচেৎ তানা চাইখাইখি। সেন্টর অদুদা মহৈ তমখিবা মরী–মতাশিংবু ফংনবা হোৎনবদা মীয়াম্না হুপচিল্লকখিবা সিটি হোস্পিটালশিংদা লৈরিবা ডাক্তরশিংনা ফোঙদোকপদা অসিগুম্বা মীওই কয়া শাথিনা মৈনা চাকথেকখ্রে হায়খি।

ঐগী ইনাওনুপা সেন্টর অদুদা মহৈ তম্বনি অমসুং মহাক হাৎখ্রে। ঐহাক হৌজিক মহাক্কী হকচাংদু ফংনবগীদমক মফম অসিদা লাক্কনি হায়না ইষ্টেলাল হোস্পিটালগী মপানদা ঙাইদুনা লৈরিবা অব্দুল খালিকনা হায়খি।

কাবুল এটেক অদুগীদমক কনাগুম্বা অমত্তনা মখোয়না তৌবনি হায়না খুদক্তা ফোঙদোক্লকপা লৈত্রি। অদুবু সিয়াশিংদা পান্দম থম্বা মমাঙগী এটেক কয়ামরুম চথখিবা ইস্লামিক ষ্টেটনা চথখিবগী খুদমশিং ফংখি। এটেক অদুদা তালিবানননা মখোয় চেন্নৈ হায়বা য়াখিদে।

তালিবান অমসুং গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগগী মরক্তা নুমিৎ ৫ নি অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লরকখিবা অদুদগী অৱাবা কোক্লবা ময়াই থংবা সিটি গজনিনা কন্না হোৎনরিঙৈদা ঙরাংগী বোম পোকখাইহনবগী এটেক অদুদা ওক্টোবর থাদা মতম লেপ্লিবা পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সনশিংগী থা অনীরোমতগী মমাঙদা আফগনিষ্টানগী সেক্যুরিটিগী ফিভম কয়া য়ান্না শোকচিল্লকপগে হায়বদু তাকই।

ঙরাং এটেক অদুগী মমাঙদা অৱাং থংবা বাঘলান প্রোভিন্সতা আর্মি বেজ অমদা চথরকপা এটেক অমদা য়ামদ্রবা পুলিসমেন ৯ অমসুং লান্মী ৩৫ শিখ্রবনি হায়না মফমদুগী ওফিসিয়েলশিংনা হায়রি।

গজনি তাউনদা চাওরাক্লা মীচম ১৫০ রোম য়ৌনা হাৎখ্রে হায়বা ৱাফম পল্লদুনা য়ুনাইটেদ নেসন্স এসিষ্টেন্স মিসন ইন আফগনিষ্টাননা খূৎ থোক্লবা লেপ্লবা আপিল তৌখ্রে।

## য়েমেনদা প্রো–গভর্ণমেন্ট ফেক্সন মশেন কাপ্নবদা য়ামদ্রবদা ১৮ শিরে

***সানা, আগষ্ট ১৬ ঃ***
য়েমেনদা গভর্ণমেন্টকী মীচঙদা লৈবা ফেক্সন মশেন য়ান্নরক্তবদগী নোংমৈ কাপ্নবদা হৌখিবা নুমিৎ নীনিদা নাকল অনীমক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ১৮ শিখ্রে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

মিলিসিয়া কম্মান্দর অমা ওইরিবা অবুল অববাসকী শৌগৎপশিং অমসুং ভাইস প্রসিদেন্ট অলি মোহসেন অল–অহমারগী ফোর্সশিংগগী মরক্তা খা নোংচুপ থংবা তায়িজ সিটিদা খূৎ থোক্লরকখিবনি। নাকল অনীমক অসি ২০১৫ দগী হৌনা ইরান্না শৌগৎপা হাওথি রিবেলশিংগা লান তৌরক্লিবা সাউদি আরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসনদা য়াওবা ঙাক্তনি।

মরকসিদা খা থংবা হিথাংফম সিটি এদেনদা তায়িজগী গভর্ণর অমিন মাহমৌদকী কনভৈইদা পান্দম থল্লকপা লম্বী নাকলগী বোম পোকখাইহনবা অমদগী গভর্ণর অদু হিংহৌখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে। অদুমকপু গভর্ণর হাৎনবা হোৎনরকখিবা অদু তায়িজদা থোক্লিবা ফেক্সন মশেনগী য়েংথিনবা অদুগা মরী লৈনব্রা হায়বদু শেংনা খঙদ্রি।

তোঙানবা থৌদোক অমদা হৌখিবা চয়োলদা রিবেলনা খুদুম চন্দুনা লৈরিবা অৱাং থংবা য়েমেনদা সাউদি আরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসন্না নোংথক্তগী চথরকখিবা এটেক অমদা শোকখিবা অঙাংশিং অদুবু য়ু এন ওফিসিয়েল অনীনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা য়েংশিনবা লাকখি। নোংথক–এটেক অদুনা অঙাং ৪০ য়াওনা মীওই ৫১ হাৎখি অমসুং অঙাং ৫৬ য়াওনা মীওই ৭৯ শোকহনখিবনি হায়না ইন্টর্নেস্নেল কম্মিটি ওফ দ রেদ ক্রোসনা হায়খি।

## সনা–সুদোকু –১২৬২ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 1 | 9 | 6 | 3 | 4 | 5 | 8 | 7 |
| 5 | 4 | 6 | 8 | 7 | 9 | 3 | 1 | 2 |
| 8 | 3 | 7 | 2 | 1 | 5 | 9 | 4 | 6 |
| 1 | 6 | 2 | 3 | 5 | 8 | 4 | 7 | 9 |
| 4 | 7 | 8 | 1 | 9 | 2 | 6 | 5 | 3 |
| 3 | 9 | 5 | 7 | 4 | 6 | 8 | 2 | 1 |
| 9 | 8 | 1 | 4 | 6 | 7 | 2 | 3 | 5 |
| 6 | 2 | 3 | 5 | 8 | 1 | 7 | 9 | 4 |
| 7 | 5 | 4 | 9 | 2 | 3 | 1 | 6 | 8 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1263**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | | 9 | | |
| | 2 | | 6 | 4 | | 8 | 5 | |
| | | | | | 1 | | 3 | |
| | | | | 1 | | 6 | | |
| | | 8 | 5 | 3 | | | | |
| | 6 | 3 | | 7 | 2 | | | 5 |
| | | | | | | | | 8 |
| 3 | | | 7 | 9 | | 5 | 4 | |
| | | | | | | | 1 | 6 |